**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 11-06-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১১-০৬-২০২৫, য়ুমশকৈশা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাদগী তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই অহুম ফারে।

২) মনিপুরগী তম্পাক্কী জিলা মঙাদা থল্লকপা কার্ফিয়ু ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্লি।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেরোরিজমগী থৌওংবু মালেমগী মীয়ামদা খঙহল্লুবা রাজনিতি দল পুমমক্কী মীহুৎ কাংবুগা উনখ্রে।

**------**

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা পনখাদগী আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক(প্রো)গী কাদর অমা, কে.সি.পি(নোয়োন)গী কাদর অমা অমসুং কে.ৱাই.কে.এলগী অমা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফারে।

অমরোমদা, মণিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মফম খরদা ময়াই কাবা নিশা শিজিন্নরগা লন্বী থিংলম্বনি হায়বা মীওই ১৯ ঙরাং ফারে। পুলিসকী পাউনা হায়-মাওইশিং অসি ময়াই কাবা য়ু থক্লগা লন্বী থিংবা অমদি মীয়ামগী চখোক চৎশিনদা অয়েৎ অপন পীরম্বা থেংনবদগী ফাবনি। অসিগুম্বা আইন কাইনা থবক তৌবা অসিনা নহা ওইরীবশিংগী তুংগী করিয়রদা অকাইবা পীরকপা য়াই হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা নহাশিংনা আইননা য়াদবা অমদি সমাজকী মায়োক্তা লৈবা থবকশিং তৌদনবা আপিল তৌরক্লি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি-হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তেরা সাপমদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বনি হায়বা মীওই অমা ফারে। মীওই অসিদগী পিষ্টোল অমা ফাগৎলে। মরি লৈনবা মেজিস্ত্রেটকী মমাংদা পুথোক্লবা মতুংদা মখা তানা থিজিন্নবগীদমক নুমিৎ ৮ নিগী পুলিস কস্তদিগী রিমান্দ লৌথখ্রে।

রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথরি। তঙাইফদা পোৎলমশিং পুবা গারি ৫৯ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে।

**কার্ফিয়ু(এল) ঃ** মনিপুরগী তম্পাক্কী জিলা মঙা-ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিং জিলাদা থম্লম্বা কার্ফিয়ু ঙসিদগী অয়ক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কোমথোক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম চেরোলশিং থোকখ্রে। অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌমীশিং ফাখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা চংশিল্লকখিবা মীয়ামগী ইহৌনা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভমদা চাউনা অকায়বা থোরকপদগী জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা থা অসিগী তরেৎতগী ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সংহিত্য-

২০২৩ গী সেক্সন ১৬৩ গী মখাদা মতম কক্তনা কার্ফিয়ু থমখিবনি।

অমরোমদা, অরান্বাই তেঙ্গোলনা কৌখিবা জেনরেল স্ত্রাইক ঙরাংদগী হন্দোকখিবগা লোয়ননা মীয়ামা মহৌশাগুম লন্বী চখোক চৎশিন তৌবা দুকানশিং থোং হাংনবা হৌরে।

**শাবা (এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট(আই.এম.দি)গী মতুং ইন্না লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা রাজস্থানদা কা হেন্না শাবগী অৰাবা মায়োকগনি হায়রি। উট্টর প্রদেশ, পঞ্জাব, জম্মু অমসুং কাশ্মির, লদাখ, গিলগিট, মুজাফরবাদ, অরুনাচল প্রদেশ, হরিয়ানা অমসুং মধ্য প্রদেশতা ঙসি য়ামা শাগনি হায়রি। উট্টর প্রদেশকী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা হৌখিবা পুং ২৪ দা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৫ গী মথক্তা ওইখি হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ওপরেসন সিন্দুর অমসুং পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেরোরিজমগী থৌওংবু মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্নবা হন্দক্তা লৈবাক কয়াদা চৎলুবা রাজনিতি দল পুমমক্কী মীহুৎ কাংবুশিংগা ঙরাং ডনখ্রে। নিউ দেল্লিদা লৈবা প্রধান মন্ত্রিগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা পার্লিয়ামেন্তরি এফিয়র্স মন্ত্রি কিরেন রিজিজ, দি.এম.কেগী এম.পি কানিমোরি, বি.জে.পিগী এম.পিশিং-রবি সঙ্কর প্রসাদ, অনুরাক সিংহ থাকুর, বন্সুরি স্বারাজ, নিসিকান্ট দুবে, কংগ্রেসকী এম.পিশিং শশি থারুর অমদি মানিশ তিৱারিনচিংবা শরুক য়াখি। রাজনিতি দলগী খেৎনবা থমদনা এম.পিশিং, হান্নগী এম.পিশিং অমসুং শকাইরবা দিপ্লোমেটশিং য়াওবা মীহুৎ কাংবু অদুনা মখোয়গী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অসিনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা অমসুং মালেমগী শান্তি হঞ্জিনহন্নবা হোৎনবদা অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা লেপ্লি হায়না ফোঙদোকখি। মীহুৎ কাংবু অদুনা তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৩৩ দা চৎখি।

মীফম অদুগী মাংওইননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা কংগ্রেসকী এম.পি শাশি

থারুরনা হায়-অমেরিকা, পানামা, গুয়ানা, ব্রজিল অমসুং কলম্বোগী খোঙচত্তা মখোয়না লৈবাকশিং অদুগী লুচিংবশিংগা টেরোরিজমগী মতাংদা খন্নখি অমদি মখোয়না ভারতকী ফিরেপপু শৌগৎখি।

**শাহঃ** গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা সভাপতি ওইদুনা ঙরাং নিউ দেল্লিদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্কুনা লৈবাক অসিদা ঈশিং ঈচাউগী ফিভম থেংননবা শেম শারীবশিং য়েংশিনখ্রে। মন্ত্রিনা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা হন্থহন্নবা তুং কোইনা পায়খৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদসু খন্নখি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি-ওপরেসন সিন্দুর অসি ভারতকী ইতিহাসতা লৈবাক অসিনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা চথবা খ্বাইদগী চাউবা খোঙজং অমনি। দেহরাদুনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়-পহলগাম টেরর এত্তেক্ট অদু লৈবাক অসিগী নাগরিকশিং খক্তদা চথবা এত্তেক্ট নত্তে। মদু লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তমদা চথরকপা এত্তেক্ট অমনি।

**এম.এস.এম.ঈঃ** কেন্দ্রগী এম.এস.এম.ঈ মন্ত্রি জিতন রাম মঞ্জিনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌখিবা চহী ১০ অসিদা লৈবাক অসিদা এম.এস.এম.ঈ সেক্তর অসি নিংথিনা চাউখৎলে। পতাদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী মঞ্জিনা হায়-এম.এস.এম.ঈগী তোঙানবা মন্ত্রালয় অমা ইং ২০১৬ তা হাংদোকখি। মসিনা লৈবাক অসিগী শেল থুম অমদি জি.দি.পি হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়-চহী অসিগী জন ৯ ফাওবদা এম.এস.এম.ঈ সেক্তরদা মীওই কোতি ৬.৪৬ রোম রেজিস্তর তৌখি। মীওই কোতি ২৮ লোম হৌজিক ফাওবদা মশান মশাবু থবক পীজবা ঙল্লে।

**শিভরাজঃ** হৌজিক চথরিবা ভিক্সিট কৃসি সনকল্প অভিয়ানগী মখাদা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং ফার্মর ৱেলফিয়র মন্ত্রি শিভরাজ সিংহ চৌহাননা ঙসি নিউ দেল্লি, তিগিপুর অমসুং বক্তৱাপুরদা লৌমীশিংগা উনদুনা ৱারি ৱাতাই শান্নগনি। উনবা অদুদা, কৃসি বিগ্যান কেন্দ্র উজ্বা অমসুং ইন্দিয়ন এগ্রিকলচরেল রিসর্চ ইন্সটিট্যুটকী কাংবুসু শরুক য়াগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা মন্ত্রিনা লৌউ শিংউগী থবকশিংদা এগ্রিকলচরেল দ্রোনশিং শিজিন্নবগী থবকশিং য়েংশিনগনি। কেম্পেইন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি-লৌমীশিংদা খ্বাইদগী নৌবা এগ্রিকলচরেল টেকোলোজিশিং, রিসর্চ দেভলপমেন্ট অমসুং সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা নিংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

অরাম্বাই তেঙ্গোলনা কৌখিবা জেনরেল স্ত্রাইক হন্দোকখিবা, এম.পি সনাজাওবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা কেন্দ্রগী হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ উনখিবগী পাউশিংনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্তা- এ.টিগী নুমিৎ ১০ নিগী বন্দ হন্দোকখ্রে কর্ফিয়ুগী মতম তেনশিনখ্রে, কানন থাদোক্ত্রিফাওবা দেমোক্রেতিক ওইবা খোঙজং চংশিনখিগনিঃ এ.টি- হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, নহারোলগী থৌদাং, মণিপুর মেল, হুইয়েন লানপাউনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা- কোবিদতা শিখিবা ৬৮ শুখ্রে, এক্তিভ কেস লিশিং ৬,৮১৫ লৈরি হায়বা পাউ অসিগা লোয়ননা মনিপুরদা কেস অমা থেংনরে, মশাদি হাইদ্রবাদ য়ৌখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

পোকফমদা- মণিপুরগী ঈরাং হায়বা কেপসন অসিগী মখাদা সেন্তরনা কুকি জো গ্রুপশিংগা মীফম পাঙথোক্তুনা তুং কোইবা ৱারোইশিনগী খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাহন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- অমিত শাহনা এম.পি সনাজাওবা অমদি হান্নগী সি.এম.বিরেনগা উনদুনা মণিপুর ক্রাইসিসকী মতাংদা ৱারি শান্নখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- বন্দনা মরম ওইদুনা এ.টি.এমশিংদা পৈশা য়াওদবদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে হায়বা পাউ অমা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

পীপলস ক্রোনিকলদা- ইন্দিয়ন জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ননা সেক্যুরিতি ফোর্সনা পাউমীশিং ফু চৈবগী থবক চথখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- অরাম্বাই তেঙ্গোলগী বন্দ খুদক্তগী হন্দোকখ্রে, খোংজংদি চংশিনখিগনি হায়বা পাউ বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা- কর্ফিয়ু পুং ১২গী ওইনা কোমথোকখ্রে হায়বা পাউ

মরুওইবা পাউ ওইনা অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- তামেংলোংগী কুইলোং খুঞ্জাশিংনা পেঙ্গোলিন অমা কল্লগা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা খূৎশিন্নখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- অরাম্বাই তেঙ্গোলগী নুমিৎ ১০ নিগী বন্দ লোইশিনখ্রে, খোঙজং মখা চথখিগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**